## ড্রগ এদিক্ট অমনা মমা হাৎখ্রে

লক্ষ্ণৌ, মে ৩১ (এজেন্সী):
মশাগী চহী ৫০ শুরবা ড্রগ এদিক্ট অমনি হায়না মীয়াম্না খঙনরবা মীওই অমনা শাউরকপদগী মহাক্কী মমা হাৎখ্রে।

মহাক্কী মমাগী মিংদা লৈবা ইঙ্খোল য়োনশি য়াদবদগী শাউদুনা ড্রগ এদিক্ট অদুনা মমাবু হাৎখিবনি। হৌজিক এক্যুইজ সিয়ারাম পুলিসনা ফারে। মমাঙদা মহাক কুমজা ১৯৯৭তা থোকখিবা মীহাৎপগী থৌদোক অমগা মরী লৈননসু জেলদা লৈরুরবনি। দেপ্যুটি কমিস্নর ওফ পুলিস (দি সী পি), সাওথ, খ্যাতি গার্গনা ফোঙদোরকপদা, সিয়ারামনা থাংজ নুমিত্তা মহাক্কী মচনুপী সুখ্রানাদা মখোয়গী মমা মশা ঙমদ্রে হায়না পাউ পীরকখি।

সুখ্রানা অমসুং মহাক্কী মপুরোয়বা রাজারামনা যুম য়ৌরকপা মতমদা শুমাঙদা ঈ তারম্বা উবদা মখোয় মীপাইবা পোকখি। মফম অদুদা শম খরসু তারম্বা উখি। ঈ তৈরবা চেক অমসু মখোয়না মফম অদুদা উখি। তৌইগুম্বসুং মখোয় মমাদি মফম অদুদা উবা ফংখিদে। সুখ্রানানা মমাগী মরমদা কন্না হংবদা সিয়ারাম মফম অদুদগী চেনখি। সুখ্রানানা পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা মহাক ফাখিবনি।

## ভেক্সিনগা মরী লৈননা পোলিসি ২ থোকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা তকখৎখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ৩১ (এজেন্সী):
ভেক্সিন পোলিসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্টরদা ৱাহং কয়া হংদুনা তকখৎখ্রে অমসুং ভেক্সিন দোজ অৱাৎপা লৈবা, মমল লেপ্পগী ৱাফম, ভেক্সিনেসনগী রেজিষ্ট্রেসন অমসুং লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা ৱাৎপনচিংবা গভর্ণমেন্টকী অশোয়বা কয়া পুথোকখ্রে।



জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা সেন্টরনা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর লোইবা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক ভেক্সিন কাপ্পা লোইরগনি হায়না খঙহনখ্রে। এ নাগেশ্বর রাও অমসুং এস রবিন্দ্র ভাতসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা তোঙান তোঙানবা চহী গ্রুপশিংগী ভেক্সিন য়েন্থোকপদা অশোয়বা কয়া লৈরে হায়খি।

জষ্টিস ভাতনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সোলিসিটর জেনরেল তুশর মেহতাদা মমলগী মতাংদা পোলিসি অনী থোকপগী মরম হংলদুনা সেন্টরনা মমল অমদা ভেক্সিন লৈরগা ষ্টেটশিংদনা মান্নবা মমলদা ভেক্সিন ফংহন্দে হায়খি।

জষ্টিস চন্দ্রচুদনা হায়, মে ১ ফাওবদা চহী ৪৫ মথক্কী মীওইশিংগী ভেক্সিন সেন্টরনা মেন্যুফেকচররশিংদগী লৌরগা ষ্টেটশিংদা পীখি অমসুং চহী ৪৫ মখাগী মীওইশিংগীনা চাদা ৫০ ষ্টেটশিংগা মেন্যুফেকচররশিংদা য়ানহল্লি।

সেন্টরনা চহী ৪৫ অমসুং মথক্কী মীওইশিংগী ভেক্সিন দোজশিং লেম্না সপ্লায় তৌগনি অমসুং চহী ৪৫ মখাগীনা ষ্টেটশিংনা লাংজগদবনি হায়বসি করিদা যূম্ফম ওইরগা লৌবা ৱারেপ্নো ?

বেঞ্চ অসিনা সেন্টরগী কাওসঙ্গলদা হায়খি মদুদি চহী ৪৫ মথক্কী মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অদু মোরেল ৱাংবা ৱাফম ওইরবসু কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসিদা গ্রুপ অসিদা কা হেন্না শোক্তে, চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী মীওইশিংদনা হেন্না শোকই। মেন্যুফেকচররশিংদগী ভেক্সিন লৈবগী ৱাফম ওইরবদি সেন্টরনা চহী ৪৫ মথক্কীদং লৈরিবা করিগীনো হায়নসু বেঞ্চ অসিনা হংখি।

ভেক্সিনগী মমল মেন্যুফেকচররশিংদা লেপহল্লিবা করিগীনো হায়না সেন্টরদা হংলদুনা বেঞ্চ অসিনা হায়, লৈবাক পুম্বগী ওইনা ভেক্সিনগী মমল অমা লেপ্পা হায়বসি সেন্টরগী থৌদাংনি। ভেক্সিন লৈবদা করিগী ষ্টেটশিংনা সেন্টরদগী হেন্না মমল ৱাংনা লৈগদৌরিবনো হায়নসু কোর্টি অসিনা মখা তানা হংখি।

গভর্ণমেন্টনা দিজিটেল ইন্দিয়াগী ৱাফম তোয়না পল্লি হায়রদুনা বেঞ্চ অসিনা হায়, লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমশিংদা তোঙানবা ফিভম অমা লৈ। ষ্টেট অমগী লাইরিক হৈতবা লেবরর অমনা অতোপ্পা ষ্টেট অমদা করম্না রেজিষ্টর তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়না হংবগা লোয়ননা জষ্টিস চন্দ্রচুদনা হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা থাঙ্গৈশেংবা ফিভম খঙদোক্তুনা গভর্ণমেন্টনা পোলিসিগী অশোয়বশিং শেমদোক্কদবনি। লোয়ননা চয়োল অনীগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কবসু বেঞ্চ অসিনা সেন্টরদা খঙহনখি।

## সেন্টরগী ওর্দর শীংনদুনা বেঙ্গলগী চীফ সেক্রেটরি মমতাগী চীফ এদভাইজর ওইরগনি

কোলকটা, মে ৩১ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা মুক্কবা হেনগৎলকপগী মরু ওইবা খোঙথাং অমদা ষ্টেট অসিগী টোপ ওফিসর অলাপান বান্দ্যোপাধ্যায় সেন্টরদা রিপোর্ট তৌবগী মহুত্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চীফ সেক্রেটরি ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।





খোঙথাং অসিগা লোয়ননা বান্দ্যোপাধ্যায় হৌজিক মমতা বেনর্জিনা লুচিংবা বেঙ্গল গভর্ণমেন্টকী চীফ এদভাইজর ওইরে। মহাক চহী অহুম ফম অসি পায়গনি। তৌইগুম্বসুং মহাকপু ফম অসিনা সেন্টরগী অশাওবা মীয়েংদগী ঙাকথোকপা ঙমদবসু য়াই হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মহাক ওর্দর ইন্দবগী চার্জ-সিট অমদি এক্সন মায়োক্নরগনি।

চৈরকসিদা, ষ্টেট হোম সেক্রেটরি ঐচ কে দ্বিবেদিনা অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা লাউথোকখ্রে।

মমতা বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা ইখিবা লেট্টর অমদা মহাক দেল্লীদা ট্রান্সফর তৌবা য়ারোই হায়খি। তৌইগুম্বসুং সেন্টরনা মহাক দেল্লীদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়বা অকনবা ৱাফম থল্লকখি হায়না মমতানা ফোঙদোকখি।

মমতানা হায়, সেন্টরগী খোঙথাং অসি লমন খুন্নগী মতৌনি। অসিগুম্বা তমথিবা মওং অসি লৈখিদ্রি। চীফ মিনিষ্টরদা এটেক তৌবা পাম্বদগী মখোয়না চীফ সেক্রেটরিদা এটেক তৌবনি। তান্নফম থোকপসু তান্নরমদে। মসি সেন্টরনা মহাকপু (মমতাবু) পামদবদগীনি।

বান্দ্যোপাধ্যায়গী থবক্কী মতম লোইদুনা মহাকপু সর্ভিসতা শীজিন্নবা য়াররোই হায়বসি সেন্টরনা খঙদবগুম তৌরি। কোভিদ পেন্দমিক্কী মতাংদা ঐখোয় মহাক্কী সর্ভিস মথৌ তাই। কোভিদ অমসুং সাইক্লোন য়াসনচিংবগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা লায়রবশিং অমদি ষ্টেট অসিবু অমসুং লৈবাক অসিবু মখা তানা থৌগল তৌখিগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু ব্যুরোকেটশিং বোন্দেদ লেবররশিংগুম্না শীজিন্নে হায়না মরাল শীরদুনা হায়, মথৌদা পুন্সি কথোক্লবা ব্যুরোক্রেট অমবু ইকায়বা পীবা তারবদি গভর্ণমেন্টনা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা পীনিংলিবা মেসেজ অসি করিনো হায়বসি হংনিংঙাই ওই। সেন্টরদা বেঙ্গোলি কাদর ওফিসর কয়া লৈ। তান্নবা তৌদনা ঐহাক্না মহাকপু রিকোল তৌবা য়াগদ্রা হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরনা খন্থুগদবনি।

## কোভিদকী প্রোটোকোল থুগায়দুনা লাইশোন পাঙথোক্লম্বা প্রিষ্ট ফারে

কোচি, মে ৩১ (এজেন্সী):
কোচি দিষ্ট্রিক্টকী নেদুমবাসেরিগা নক্লবা পূভাতুসেরিদা লোকদাওনগী কাঙলোনশিং থুগায়দুনা লাইশোন থৌরম পাঙথোক্লম্বগীদমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা প্রিষ্ট অমা ফারে।

পূভাতুসেরি ঈথৎতা লৈবা সেন্ট জোসেফকী চর্চতা ভিকার ওইরিবা জোর্জ পালামাট্টম অমসুং অতৈ মীওই ২৫ হোলি কম্যুনিয়ন অমগী শরুক ওইনা পাঙথোকপা লাইশোনগী থৌরমদা শরুক য়ারম্বগীদমক আই পি সীগী সেক্সন ২৬৯ অমসুং সেক্সন ১৮৮ লোয়ননা কেরেলা ইপিদেমিক দিজীজ ওর্দিনান্স, ২০২০গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা বূক তৌরে হায়না চেঙামানাদু পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর অমনা ফোঙদোরকখি।

লোকদাওন মনুংদা গভর্ণমেন্টনা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা মী পূনবদা অথিংবা থম্বা লৈনা লৈনা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অদু খোঙ্গাওনদুনা চর্চতা লাইশোন থৌরম পাঙথোকপগী পাউ অমা ইর্নাকুলম রুরেল এস পি কে কর্থিকনা ফংখি।

মীয়াম পূন্দুনা পাঙথোকপা লাইশোন থৌরম অদু নিংথৌকাবগী অয়ূক পূং ৭ তাবা মতমদা হৌখি অমসুং মফম অদুদা পুলিস থুনা চঙশিনখি।

হোলি কম্যুনিয়ন অদুগী ফুটেজ অদু সোসল মিদিয়াদা পাক-শন্না শন্দোকপা উখি। ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টনা বেলদা থাদোকখি।

কেরেলা গভর্ণমেন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লোকদাওনগী অথিংবশিং জুন ৯ ফাওবা শাংদোকহনখি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস মশিং পূন্না ২,৩৮,২১০ লৈ।

## কেরলা এসেমব্লিনা লক্ষদ্বীপকী এদমিনিষ্ট্রেটর লৌথোক্লবগী রিজোল্যুসন পাস তৌখ্রে

তিরুভান্তাপুরম, মে ৩১ (এজেন্সী):
লক্ষদ্বীপ ঈথৎতা তারিবা য়েলহৌমীশিংগী মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং অমসুং নাৎ ঙাকপী-শেনবীনবা অমসুং মফম অদুগী মরা তপ্পা ফিভমদা অকায়বা পীগদবা লো কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরিবা ঈথৎ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর খূদক্তা লৌথোক্লবা সেন্টরদা তকশিনবা রিজোল্যুসন অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেরেলা এসেমব্লিনা মত অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে।

রিজোল্যুসন অদু পুথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজায়ননা হায়খি, এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা ঈথৎ অসিদা সেফ্রোন এজেন্দা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরি।

হৌজিক এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা ঈথৎ অসিদা সেফ্রোন এজেন্দা ইমপ্লিন্টে তৌনবা হোৎনবদা যুবি পাম্বীশিং ফাওবা সেফ্রোন মচু শংজিল্লে। ঈথৎ অসিবু কোর্পোরেটাইজেসন তৌদুনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা মফম অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীশিং অমসুং নাৎ মাঙহন্নবা হোৎনরি।

ঈথৎ অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি ঈংনা-চিক্লা লৈবা পাম্বা ঙাক্তনি। মখোয়দা মীপাইবা পোকহন্নবগীদমক্তা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা গুন্দা এক্ট অমা পুথোরক্লি। এক্ট অসিগী পান্দমদি ঈথৎ অসিদা চথরকপা প্রোটেষ্টশিং লাকশিনবনি। মসিদা নত্তনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা বেকদোরগী খূথাংদা ষণশা থিংনবসু হোৎনরি।

হৌজিক মহাক্না দাইরি ফার্ম খুদিংমক থিংনবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরে হায়না ভিজায়ননা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, লোকল ভিলেজ কাওন্সিলশিংদা শিন্নরম্বা পাৱর খূদিংমক তপ্পা তপ্পা লৌথোরক্লি। অসুম তৌদুনা এদমিনিষ্ট্রেটর অসিনা ঈথৎ অসিবু মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরি।

খ্বাইদগী হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি হৌজিক অঙাং অনীদগী হেনবা মীওই অমত্তা ভিলেজ কাওন্সিলগী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়বা গাইদলাইন অমসু পুথোরক্লি। ঈথৎ অসি মতম শাংনা কেরেলাগা মরী লৈনদুনা লাক্লি।

এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন কয়া কেরেলাগা মরী লৈনৈ। কোচিদা লৈরিবা কেরেলা হায় কোর্ট অসিসু মখোয়গী জুদিসল বোদিনি হায়রদুনা ভিজায়ননা এসেমব্লিদা রিজোল্যুসন অসি মত অমত্তা ওইনা পাস তৌবদা মতেং পাংনবা আপীল তৌখি।

ওপোজিসন লীদর ওইরিবা ভি দি সাথিসানননা ওপোজিসন মেম্বর পূম্বনা রিজোল্যুসন অদু য়াই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌজিক এদমিনিষ্ট্রেটর ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা অনৌবা রুলশিংনা ঈথৎ অদুগী মীয়ামগী বেসিক রাইটশিং মপূং ফানা মাঙহল্লগনি হায়খি।

## মপান্দা ভেক্সিন থাদোকপা লেপ্লি: আর টি আই



পুনে, মে ৩১ (এজেন্সী):
আর টি আই রিপ্লাই অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা মে ৫দগী মপান্দা ভেক্সিন থাদোকপা লেপ্লক্লি। মপান্দা ভেক্সিন থাদোকপগী ৱাফম অসিদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা থোক্তুনা লাক্লি।

পুনেদা বেজ তৌবা এক্টিভিষ্ট প্রফুল্লা সর্দানা ফাইল তৌখিবা আর টি আই ৱাহংগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্টর্নেল এফেয়র্স (এম ঈ এ)না মে ৫ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা কেটিগরিশিংদা লৈবাক ৯৫দা এক্সপোর্ট তৌখিবা ভেক্সিনশিংগী অকূপ্পশিং পীখি। ৱাহং অমগী মতাংদা এম ঈ এনা তুংদা লৈবাক অসিনা ভেক্সিন এক্সপোর্ট মখা চথগনি হায়রদুনা দোমেষ্টিক প্রদক্সনগী ফিভম অমসুং নেসনল ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী য়েংদুনা ভেক্সিন থাদোকপা লেপ্পনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউ এজেন্সি অমনা এপ্রিল ২৭তা ভেক্সিন এক্সপোর্টকী অকূপ্পশিং ফোঙখিবদগী লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নীল খোংলকখি।

কোংগ্রেস, নেসনেলিষ্ট পার্টি, শিব সেনা, আম আদমি পার্টি, লেফ্ট অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা ইস্যু অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টিনা লুচিংবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু হঞ্জিন হঞ্জিন চৈখি।

সদানা হায়, বেসিক এক্সপোর্ট দেটা নত্তনা গভর্ণমেন্টনা অসুক য়াল্লবা ভেক্সিন দোজশিং মপান্দা থাদোকপগা মরী লৈনবা অতৈ ইনফোর্মেসনগী মতাংদা তূমীন্না লৈশিল্লি। অসুম্না মপান্দা ভেক্সিন থাদোকপা অসিনা ইন্দিয়ন কয়া ভেক্সিন কাপ্পবগী খুদোংচাবা ফংহন্দে। খুদম ওইনা সেন্টরনা ভেক্সিন থাদোকপগী ৱারেপ লৌনবা গভর্ণমেন্টনা কম্মিটি শেমখিবা, কম্মিটিগী মেম্বরশিং খনখিবা নৎত্রগা অসিগুম্বা কম্মিটিগী মীটিংশিংগী রেকোর্দ নৎত্রগা দোক্যুমেন্ট লৈতে হায়রি। মসি ঙক্লিংঙাই ওই। করম্বা মিনিষ্ট্রিনা ভেক্সিন দোনেসন নৎত্রগা এক্সপোর্টকী ৱারেপ লৌখিবনো হায়বসি হংনিংঙাই ওই। প্রোসেস অসিদা য়ামদ্রবদা মিনিষ্ট্রি অনী- হেল্থ অমদি এম ঈ এ হকথেংননা চেন্নরম্বা য়াই হায়না সর্দানা মখা তাখি।

## টামিল নাদুগী পেদিয়াত্রিক ৱার্দশিং কোভিদ ১৯গী অহুমশুবা ৱেভকীদমক শেম-শারি

চেন্নাই, মে ৩১ (এজেন্সী):
টামিল নাদুদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী পেদিয়াত্রিক ৱার্দশিং কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভতগী অঙাংশিংবু ঙাকথোক্লনবগীদমক শেম শারি। পেদিয়াত্রিসনশিংনা ৱার্দশিং অসিদা অঙাংশিংগী বেদ মশিং হেনগৎহনবা পাল্লি।



চেন্নাইগী ইন্সটিট্যুট ওফ চাইল্ড হেল্থ (আই সী ঐচ)কী তোঙান তোঙানবা ব্লোক অনীদা বেদ ১৬০ লৈ। আই সী ঐচকী সিনিয়র দোক্টর অমনা ফোঙদোরকপদা, বেদশিংদুগী মনুংদা বেদ ১০০ কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংনবগী বেদ কোন্নদবদগী রাজিব গান্ধী গভর্ণমেন্ট জেনরেল হোস্পিটাল (আর জি জি জি ঐচ)তা পীখ্রে। অনাবা অঙাং মশিং য়ামদবদগী বেদশিংদু পীখিবনি।

নিওনেটেল কেয়রগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর শ্রীনিভাসননা হায়, ভাইরস অসিনা শোকহনবা মীওই গ্রুপশিংগী মরক্তা অহোংবা লাক্তুনা অঙাংশিংগী বেদ হেন্না মথৌ তারক্লবদি এদল্ট বেদশিং পেদিয়াত্রিক বেদশিং ওন্থোক্লবগী থৌরাং লৈ। ত্রিটমেন্ট অমসুং মেনেজমেন্ট প্রোটোকোলকীদমক ঐখোয়না শেম-শারে।

মদুরাইদসু অঙাংশিংদা কোভি-১৯ ইনফেক্সন হেনগৎলকপা য়াই থাজবদগী হোস্পিটাল কয়াদা ওক্সিজেন য়াওবা পেদিয়াত্রিক বেদ মশিং হেনগৎহনখ্রে। মদুরাইগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমগী পেদিত্রিসিয়ন ৱার্দ অমদা অঙাং ৪০-৫০ থমদুনা লাক্লি। অঙাংশিংদা কেস মশিং হেনগৎলকপগী খন্দুনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পেদিয়াত্রিক বেদ মশিং শরুক অনী হেনগৎহল্লগনি।

ওফিসল দেটানা টামিল নাদুগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৭মক্তা নিওটোটল বেদ ২৫ অমসুং পেদিয়াত্রিক বেদ ১০০ লৈ হায়বসি উৎলি। শ্রীনিভাসনগী মতুং ইন্না, পেদিয়াত্রিক বেদ অয়াম্বা ওক্সিজেন বেদশিং ওন্থোক্লে অমসুং টামিল নাদুগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা য়ামদ্রবদা পেদিয়াত্রিক সিসসিটেসন অমসুং ইমর্জেন্সি বেদ ৬ লৈ।

অঙাংশিংদা হেন্না শোকহনবা হায়না কিনরিবা অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী হোস্পিটালশিংদা পেদিয়াত্রিক ৱার্দশিংগী বেদ মশিং গভর্ণমেন্টনা হেনগৎহন্নবা হোৎনরক্লি হায়বসি পেদিয়াত্রিসনশিংনা থাগৎনরি।

## জর্নেলিষ্টশিং লেম্না ভেক্সিন কাপ্পবগী ৱাক-ইন ফেসিলিটি হাংদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ৩১ (এজেন্সী):
জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং ভেক্সিন লেম্না কাপ্পা য়াগদবা ৱাক-ইন কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন ফেসিলিটি অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা আই টি ওগী সার্ভোদায়া জন ভিদ্যালয়াদা হাংদোকখ্রে।

নৌনা লোঙ্ঙ তৌরিবা ফেসিলিটি অদুদা চহী ১৮-৪৫ গ্রুপ অমসুং চহী ৪৫ মথক্কী গ্রুপ অনীমক্কী জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিং ভেক্সিন কাপকনি।

ফেসিলিটি অদু হৌদোক্লবা মতুংদা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা হায়, ভেক্সিনেসন সেন্টর অসি জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিং ভেক্সিন কাপ্পবা অখন্নবা হাংবনি। ফেসিলিটি অসি হাংদুনা জর্নেলিষ্টশিংগী দিমান্দ ফংহনবা ঙম্বসিদা নুংঙাইবা পোকই।

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগীদমক হৌজিক খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবদি ভেক্সিন কাপথোকপা অসিনি। মফম অসিদা লাক্তুনা শেল তিংদনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা ঐহাক্না জর্নেলিষ্টশিংদা আপীল তৌরি।

মীয়াম্না মায়োক্নরিবা ইস্যু খুদিংমক গভর্ণমেন্টনা সোল্ব তৌগনি। মীয়াম্না পোর্টেলদা ইস্যু খরা থেংনৈ হায়বসি খঙই। ইস্যুশিংদুগা লোয়ননা মীয়ামগী ফীদবেক্তা যূম্ফম ওইরগা অতৈ ইস্যু খুদিংমকসু সোল্ব তৌরগনি হায়না কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিনেসন সেন্টর হৌদোকপগী থৌরমদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াসু শরুক য়াখি।

## পূং ২৪গী মনুংদা অঙাং মরি শিখ্রে

পটনা, মে ৩১ (এজেন্সী):
বিহারগী দরবঙ্গ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (দি এম সী ঐচ)দা পূং ২৪গী মনুংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা থা অনীমখায়গী অঙাং মচা অমা য়াওনা পূন্না অঙাং মরি শিখ্রে।

অঙাং মরি শিখ্রে হায়বসি দি এম সী ঐচগী প্রিন্সিপালনা কনফর্ম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না অঙাংশিং অদু শ্বর হোনবা ৱাবগী প্রোব্লেম লৈখি। দি এম সী ঐচগী দোক্টরশিংনা অতৈ অঙাং অহুম অঙাংশিংদা নাগনবা মল্টি সিষ্টেম ইনফ্লেমেটরি সিন্ড্রোমনা মরম ওইদুনা শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা ফোঙদোকখি।

অঙাংশিং অসিগী মীশি অসি রাজেস রঞ্জন এলিয়স পাপ্পু য়াদবনা ট্বীটর পোষ্টকী খূথাংদা দি এম সী ঐচতা অঙাং খরা শিরে হায়না ফোঙদোরকখিবা মতুংদা খঙনরকপনি। য়াদব হৌজিক হোস্পিটাল অসিদা লায়েংলিবনি।

## ꯏꯉ꯭ꯈꯣꯜ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

থাংমৈবন্দ তরুং খুলগী পি ঐচ সীগী মনাক শোরোক্তা হেক তায়নবা 45x120 sqft চাওবা লম ইঙ্খোল অমা অথুবা মতমদা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/9792/1,2 # 7628967399

## ꯑꯋꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ / অৱাবা ফোঙদোকপা



ঐখোয় খ্বাই পুন্নমক্তা মতম কুইনা লোয়নজরম্বা নুংশিরবা মরুপলোই শ্রীশগোলসেম হেমন্ত সিংহ, কৈশামথোংদা লৈবা অমসুং হান্নগী All Manipur Working Journalists' Union গী President ওইনা থৌসু পুবিরম্বা অদুগা ঐখোয়নদি দাদা হায়নসু মীঙ্গৌজবা মহাক্না ৱাহে অমতংফাওবা পূকমেল-পাওমেন্নবা নংহৌদনা তাং ৩০/০৫/২০২১ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ূক্তা ইখঙ খঙহৌদনা মীরমলেন তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা, মহাক্কী লৈহৌরিবা মরুপ ঐখোয়না করি ৱাহে-নবু ফোঙদোক্কনি নীংঙমদবা থম্মোয়গী মৈচাকসে।

নুংশিরবা মরুপ-ও নহাকপু, কাউঙল্লোই কৈদৌঙৈ ঐখোয়না
নহাক্কী মোমোন মাইথোংদো, ৱাঙাংদো নঙগী নুংশিরবা
থাজদনা চৎখিদা পেনখিদ্রে, থৱায় মীরেলনা নহাক্কী
ঈংনা-চিক্লা লৈনবা, তাইবঙ মপূদা পুনেমজরি।

ইমুং-মনুংগী অৱাবা কয়াদসু শরুক য়াজরি লৈখিদ্রবগী মরুপলোই ময়াম্না।

ফোঙদোকচরিবা :-
TOP TEN গী মরুপশিং, লোয়ননা অতোপ্পা লোয়নরম্বা মরুপ-মপাংশিং

HL-P/9793/1,2,3,4

ꯗ ꯄꯥꯏꯑꯣꯅꯤꯌꯔ ꯀ꯭ꯂꯕ
THE PIONEER CLUB, LAMDENG
Lamdeng Makha Leikai, S.P.O. Lamsang

## অৱাবা ফোঙদোকপা

হৌখিবা তাং 30-5-2021 ইং নোংমাইজিং নুমিত্তা Lamsang A/C গী Term অহুম্লক থংন-থংননা MLA ওইবীরম্বা (L) Wangkheimayum Brajabidhu Singh না ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা Pioneer Club, Lamdeng Makha Leikai Women Development Association অমসুং Ward No.-5 Lamsang Nagar Panchayat কী Councillor L. Asokumar Singh গী মায়কৈদগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ওজাগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক তাইবঙ মপুদা থৌনিজরি।

Sd/- **Kh. Ajit Singh**
Secy, PC, Lamdeng

HL-C/185/1

## ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 57,30,000+18,600 | 53,60,000+22,532 | 94,844+814 |
| Karnataka | 25,90,000+20,378 | 22,20,000+28,053 | 28,679+381 |
| Kerala | 25,10,000+19,894 | 22,80,000+29,013 | 8,641+186 |
| Tamil Nadu | 20,70,000+28,864 | 17,40,000+32,982 | 23,754+493 |
| Uttar Pradesh | 16,90,000+1,864 | 16,30,000+6,713 | 20,346+138 |
| Andhra Pradesh | 16,90,000+13,400 | 15,10,000+21,133 | 10,832+94 |
| Delhi | 14,30,000+946 | 13,90,000+1,803 | 24,151+78 |
| West Bengal | 13,70,000+11,284 | 12,60,000+18,642 | 15,410+142 |
| Chhattisgarh | 9,69,000+1,655 | 9,17,000+5,271 | 13,016+37 |
| Rajasthan | 9,38,000+2,298 | 8,81,000+9,636 | 8,317+66 |
| Gujarat | 8,07,000+1,871 | 7,62,000+5,146 | 9,815+25 |
| Madhya Pradesh | 7,79,000+1,476 | 7,44,000+5,059 | 8,019+60 |
| Odisha | 7,57,000+9,541 | 6,71,000+11,881 | 2,719+33 |
| Haryana | 7,55,000+1,452 | 7,26,000+3,370 | 8,221+89 |
| Bihar | 7,06,000+1,475 | 6,82,000+4,130 | 5,104+52 |
| Telangana | 5,76,000+1,801 | 5,38,000+3,660 | 3,263+16 |
| Punjab | 5,65,000+2,584 | 5,12,000+5,371 | 14,432+127 |
| Assam | 4,07,000+3,245 | 3,50,000+5,690 | 3,300+55 |
| Jharkhand | 3,37,000+703 | 3,22,000+1,724 | 4,977+19 |
| Uttarakhand | 3,28,000+1,226 | 2,92,000+1,938 | 6,401+41 |
| Jammu and Kashmir | 2,89,000+2,256 | 2,47,000+3,805 | 3,870+29 |
| Himachal Pradesh | 1,89,000+861 | 1,71,000+2,869 | 3,127+41 |
| Goa | 1,55,000+645 | 1,38,000+1,663 | 2,625+28 |
| Puducherry | 1,04,000+930 | 90,141+1,895 | 1,518+21 |
| Chandigarh | 59,922+182 | 57,043+509 | 745+5 |
| Chandigarh | 59,922+182 | 57,043+509 | 745+5 |
| Tripura | 51,133+394 | 44,063+873 | 513+6 |
| Manipur | 49,882+1,032 | 40,607+563 | 793+17 |
| Meghalaya | 35,190+742 | 27,130+974 | 564+13 |
| Arunachal Pradesh | 26,950+172 | 23,052+306 | 115+1 |
| Nagaland | 21,563+192 | 16,151+112 | 363+13 |
| Ladakh | 18,497+49 | 16,754+96 | 188+1 |
| Sikkim | 15,171+264 | 10,960+131 | 250+3 |
| Mizoram | 12,087+99 | 9,015+152 | 38+2 |
| Lakshadweep | 7,928+297 | 5,890+268 | 32+1 |